# হি তোংবদা ঙাক্লা চৎকদবা চৎন কাঙলোনশিং য়াংথোকখ্রে অয়াবা য়াওদনা হি শিজিন্নবা য়াহল্লরোইঃ চীফ সেক্রেটরী

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ মণিপুরগী মনুংদা পাৎ, তুরেলশিং অমসুং রিজার্ভরশিংদা চংখোক চৎশিন তৌনবা হি নৎত্রগা ইনলেন্দ ভেসেলশিং শিজিন্নবদা ঙাক্লা চৎকদবা চৎন কাঙলোনশিং মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবগা লোয়ননা চৎন কাঙলোন অসি ঙাক্লা চৎনবা আপীল তৌখ্রে। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওঠোরিতিগী অয়াবা য়াওদনা হি নৎত্রগা ইনলেন্দ ভেসেলশিং শিজিন্নবা য়াররোই হায়না চীফ সেক্রেটরিনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

ঙসি চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবুনা খূৎয়েক পীদুনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা মপুং ওইনা পল্লিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা অসিগুম্বা হিশিং নৎত্রগা ইনলেন্দ ভেসেলশিং অসি শিজিন্নবা য়াবগী অয়াবা অসি রিক্রিয়েসনগী ওইনা নৎত্রগা টুরিজমগী ওইনা নৎত্রগা ঙা ফাবগী ওইনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা পার্মিট পীগনি। পেসেঞ্জর অমসুং পোৎ পুথোক পুশিন তৌবগী ওইনা দাইরেক্টরেট ওফ ট্রান্সপোর্টনা মরী লৈনবা ওঠোরিতি ওইগনি।

মসিগী পার্মিট অসি মপুং ওইনা ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টনা (লোক্তাক পাৎকী ওইনা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওঠোরিতি)না য়াখোকপা রুটকী মতুং ইন্না পীগনি। মফৌ দাম, খুগা দাম, সিংদা দাম, লৌকোই পাৎনচিংবা ৱাটর রিজার্ভরশিংগী ওইনদি মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টকী গাইদলাইনগী মতুংইন্না পার্মিট পীগনি হায়রি।

মসিদা শিজিন্নগদৌরিবা হি অদু মরী লৈনবা ওঠোরিতিনা অখণ্ড অহৈশিংগা লোয়ননা ফিজিকেল ভেরিফিকেসন তৌগনি। মরী লৈনবশিংদা পীগদৌরিবা পার্মিট অসি চহী অমগী ওইগনি লোয়ননা মখাতানা ভেরিফিকেসন চথরবা মতুংদা রিনিউ তৌবা য়াগনি।

হি নৎত্রগা ইনলেন্দ ভেসেলশিং অদুদা তোংলিবা মীওইশিংগীদমক নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওঠোরিতিনা য়াখোল্লকবা সেফটি মেজরশিং অমসুং লাইফ জেকেটনচিংবা শুংশোয় শোয়দনা শিজিন্নগদবনি। নুমিৎ তাখ্রবা মতুং, নুমিৎ থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙ অমসুং সাইক্লোন ৱার্নিং লৈরিঙৈগী মতমদা হি শিজিন্নবদা অথিংবা লৈগনি।

ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টনা ঈশিংগী অরুবা, ঈশিংগী ইচেলগী চাং অমসুং মীয়াম্না থবক থৌরমশিং চথবা য়াবা মফমশিং এনভাইরনমেন্টেল ফেক্টরশিং অমসুং দামগী মশক মওংশিং য়াওবা সাইনেজশিং থেত্তুনা থমগনি।

ৱাটর বোদিশিং মোৎশিনবা য়াবা অমোৎ অকায়শিং ঈশিংদা লংথবা য়ারোই। পার্মিট অসি চহী অমদা পেসেঞ্জর অমমমদা লুপা ১০০গী চাংদা ফি ওইনা লৌগনি। চৎন কাঙলোনশিং অসি ইন্দবা কাঙবু অদু চহীগী ফি অসিগী শরুক মঙা হেন্না থিহনগনি অমসুং মখোয়দা পীরিবা লাইসেন্স অদু ককথৎপনচিংবা তৌগনি। মসি মরী লৈনবা এক্ট রুলশিং অদুগী মথক্তনি। চৎন কাঙলোন অসিগী ৱাংমদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা হি নৎত্রগা ইনলেন্দ ভেসেলশিং শিজিন্নবা য়ারোই হায়না পল্লি।

মসিগী চৎনা কাঙলোন অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌরগনি। লোক্তাক পাৎতা ঙা ফারিবা মীওইশিংগী ওইনদি মে ১৫ ফাওবা কোমথোকখিগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মখোয়না মরী লৈনবা ওঠোরিতিদগী পার্মিটশিং লৌহৌগদবনি হায়না ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

# লোক্তাক পাত্তা লমকোয়বশিংনা তোংনবা হি মতম খরগী ওইনা শিজিন্নবা লেপহনখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ লোক্তাক পাৎকী সেন্দ্রা চীংখোঙ অমসুং ওম্বা গার্দেনদা লমকোয়বা লাকপশিংদা হি তোংদুনা লোক্তাক্কী ফজবা য়েংনবা হি শিজিন্নবা মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমখ্রে। হিরম অসিগা মরী লৈননা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এক্সিক্যুটিভ ওফিসার ঐচ প্রদিপকুমার সিংহনা ঙরাং নোটিশ অমা থোকখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না, মোইরাং পুলিসকী মায়কৈদগী মণিপুরদা হৌখিবা থা খরা অসিদা নোংলৈ নুংশিৎ তাঙ্কক নাইনা শিৎখিবা, লোয়ননা মীয়ামগী লন থুম কয়া অমাং অতা থোকহনলকপা অমসুং হন্দক্তা চাদোং পাৎতা নোংলৈ নুংশিৎনা হি লাকশিনবদা মীওই অহুম থিবা খঙদনা লৈরিবা অসিদগী চেকশিন থৌরাংগী খোঙথাং অসি লৌখৎপীনবা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা অইবা চেরোল পীশিনখিবনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী ইখিবা চেরোল অদুদা লোক্তাক পাৎ অসি মালেমগী মফম কয়াদগী লাকপা লমকোয়বশিংগী মীৎয়েংফম ওইরিবা মফম অমনি। মফম অসিদা লমকোয়বা কয়ানা হি তোংদুনা পাৎ অসিগী ফজবা মশক অদু য়েংনরিবনি।

মীয়াম্না লোক্তাক পাৎ অমসুং ওম্বা গার্দেনদা লাক্কুনা মফমশিং অসিদগী হি তোংলগা পাৎকী ফজবা য়েংনরিবনি।

অদুবু মেটরিয়োলোজিকেল এক্সপার্টশিংদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না নোংলৈ নুংশিৎ অসি থংনবা নুমিৎ খরদা মখা তানা শিৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মদুগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা পাৎ অসিদা অমসুং মসিগী অকোয়বদা হি হোন্দুনা চৎপদা অথিংবা মতম খরগী ওইনা থম্বীনবা ৱাফম পল্লি।

পুলিসকী চেরোল অদুগী মতুংইন্না মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এক্সিক্যুটিভ ওফিসার ঐচ প্রদিপকুমার সিংহনা অইবা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুংদা লৈরিবা লোক্তাক পাৎকী ওম্বা অমসুং নুরাথেল গার্দেনগী হুবিদাক অমসুং তাকমু এরিয়াদা হি হোন্দুনা শেন তাল্লিবা হি ওপরেটরশিংনা হৌজিক লাক্কনি হায়না পান্নরিবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা থোকহল্লক্কদবা অমাং অতা কয়া অদুদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা হি শিজিন্নবা লেপ্পবা খঙহনখিবনি।

অতোপ্পা পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না লোক্তাক পাত্তা নত্তনা লৈরিবা টুরিষ্ট স্পোটশিংদা লৈবা ৱাটর বোদিশিংদা লমকোয়বশিংনা হি তোংদুনা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে হায়রি।

# সোসিএল মেদিয়াদা মীয়াম্বু কিহন–খংহন্দুনা থাগৎলক্লিবা মীওই লৈঙাক্লা অথুবদা ফাবীয়ুঃ মৈরা পায়বী

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ অন্দ্রো মচাশিং ইম্ফালদা লাকপদা নিংথিনা তোরৌইদবনি অন্দ্রোদি মীগী লৈফম ওইরমদ্রে শা–ঙগী চাত্তাফম ওইরগ্নে হায়না সোসিএল মেদিয়া থাগৎলক্লিবা অসি লৈঙাক্লা অথুবদা ফাবীদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু হায়না ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসনগী সেক্রেটরী চীংঙাখম উমেশোরীনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাঊগী মীফম অমদা মহাক্না হায় কনাগুম্বা মীওই অমনা ফেক একাউন্ট শীজিনন্দুনা অন্দ্রোগী মীওইশিংবু ইম্ফালদা লাকপদা নীংথিনা তৌরোইদবনি হায়না নৎতনা ফজদবা ৱাহে কয়া ইদুনা থাগৎলকপা অন্দ্রোগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। মরু ওইনা অন্দ্রোগী নুপী ওইবীশিংনা ইম্ফাল চৎপদা অকি তুজুংবা পোকহল্লে। অসিগুম্বা ফজদবা ৱাহে কয়া শিজিনন্দুনা সোসিএল মেদিয়া থাগৎলক্লিবা মীওই অদুবু লৈঙাক্না থিদোকপীদুনা ফারগা মতিক চাবা মরাল পীবিয়ু হায়খি। পাঊগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা পোইরৈ লৈমরোল মণিপুর অপুনবা মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরী ইমা মেমচৌবীনা হায় অন্দ্রোগী মীয়াম্বু কিহন–খংহন্দুনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। লমদম অসিগী লৈজরক্লবা কলচর কয়াবু ঙসি ফাওবা ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা মীওইশিংবু ফজদবা ৱাহে–ৱাতা কয়া শিজিনন্দুনা থাগৎলক্লিবা মীওই অসি লৈঙাক্না ফারগা মতিক চাবা চৈরাক পীহৌদ্রবদি লমদম অসি মথোঙ হুক্তবা মীওই কয়ানা তৌনিংবতা তৌরগনি। মরম অদুনা অথুবদা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্মেন্টনা থাগৎলিবা মীওই অদুবু ফন্দুনা মীয়াম মমাঙ্দা লাল্লে হায়জহনবগা লোয়ননা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ‘অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এ শ্যামকুমার বোইকোট তৌখিবা লৈতে’

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এন এ শ্যামকুমারবু অন্দ্রো কেন্দ্রগী ক্লব ওর্গনাইজেসন তরানা বোইকোট তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু ইন্টিগ্রেটেদ য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগীদি বোইকোট তৌখিবা লৈতে হায়না ক্লব অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরী কেঐচ মুক্রমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এ শ্যামকুমারবু বোইকোট তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু লাইবক থীবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্টিগ্রেটেদ য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগা করিমতা মরী লৈনদে। নুমিৎ অদুদা ফমখিবা মীফম অদুদা ক্লব অসিগী একজিক্যুটিভ মেম্বর অমা ফাওবা শরুক য়াখিবা লৈতে অমসুং খূৎয়েক সাইন তৌখিবসু লৈতে। মখোয়না থোক্লককপা চেরোল অমদা ক্লব অসিগী প্রিসিদেন্ট এম দি ভকশর হায়না থোক্লক্লিবা চেরোল অদু শেমজিন–শাজিনবনি। ক্লব অসিদা এম দি ভকশর কৌবা মীওই অমতা প্রিসিদেন্ট ওইখিবা লৈতে। এম এল এ শ্যামকুমারনা লমদম অসিবু ঙসি ফাওবা চাউখৎনবা কন্না হোৎনবীদুনা লাক্লিবনি। মরম অদুনা ক্লব অসিবু মিংচৎ থিনবা হোৎনরিবা মীওইশিংনা নুমিৎ হুম্নি ফাওবগী মনুংদা শেংদোরক্কনি। করিগুম্বা শেংদোরক্তুবদি মদুদা থোক্লককপা অফ–ফত্তগী দায়ত্ব মশানা পুজগদবনি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদসু লিগেল এক্সন অমা লৌখৎপীনবা মরী লৈনবদা খঙহনখিবসু লৈরে।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা মুস্লিমশিং অমদি অন্দ্রোদা লৈরিবা মুস্লিমশিংবু অপীকপা পোলিটিকেলগী মীৎয়েংদা খূৎলাই ওইনা শীজিন্নবীবসি নুংঙাইতে। মখা তানা মুস্লিমশিংবু খূৎলাই ওইনা শীজিন্নবসি তৌবীগনু হায়না ফোঙদোকখি।

# ইমা–ইপাগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ দি কংলৈপাক (মণিপুর) আর্ট এন্দ কলচর রিছার্স সেন্টরনা শীন্দুনা ঙসি ৩১ শুবা ইমা–ইপাগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম উরিপোক নাউরেমথোং তখেল্লম্বম লৈকাইদা লৈবা এন জি কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

পলেম পম্ভৌ নীংশিং থৌরম হায়রগসু খঙনবা ঙসিগী থৌরম অদুদা নেস্নেল ঠিয়েটর এৱার্দি কে বি শর্ম্মনা অথোইবা মীথুংলেন, ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিল মণিপুরগী প্রিসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমা অমসুং তেরা খুরাইজম লৈরক্তগী লাইশ্রম ওংবী থম্বালঙৌনা ইকায়খুম্নবা মীথুংলেন অমদি রাইটর এৱার্দি কে কুলবিদুনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা কে কুলবিদুনা হায়, মালেম অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক মমা–মপা লোইনা লৈরিবনি। মীওইবা ঐখোয়গীদি ইমা–ইপা অসি হেক মীৎনা উবা লাইনি হায়না খন্নরিবনি। মমা–মপা ওইবশিংনা মচাশিংগীদমক লৌরিবা থৌদাং অসি কন্নানসু শীংথানদ্রবদি মীওই অদু তাইবঙ মপুদা লংজরবনি হায়না লৌনরিবনি। অসিগুম্লবা য়াম্না মরু ওইরবা থৌরম অসি ষ্টেট অসিগী মফম শীনবা থুংনা য়াম্না চাউনা পাঙথোকপা তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি।

# মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বামোনকম্পু মখা লৈকাইদগী খুঞ্জামযুম অরুন মীহাৎকা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিনা শীন্দুনা মৈরাগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। বামোনকম্পু মখা লৈকাইদগী হৌরগা কোংবা বাজার ফাওবা মীওই ৩০০ রোম হেনবনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুনা কোংবা বাজার য়ৌরবা মতুংদা হল্লক্লবা মতুংদা ইরিলবুং বাজার ফাওবা অমুক চৎখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামগী মায়কৈদগী অরুন মীহাত্তা চেন্নবা রবি দন্দি পীয়ু, চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা পুথোকউহায়বা ৱাহৈশিং ইবা বেন্নর অমসুং প্লেকার্দশিং পায়খি।

# সেভা মণিপুরগী ২৪ শুবা এন্যুয়েল মিট ২০১৯ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন (সেভা) মণিপুরগী ২৪ শুবা এন্যুয়েল মিট ২০১৯ ঙসি ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রিসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা সেভা মণিপুরগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসার খুন্দ্রাকপম চিংলেননা হায়, লমদম অসিগী খুঙ্গংশিং মতৌ করম্না চাউ–খৎহনসিগে হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা সেভানা হোৎনদুনা লাক্লি। খুঙ্গংশিংদা লৈবা শেন থুমগী ফিভম ফত্তবা ইচল ইচেশিংদা মতৌ করম্না শেল শীজিন্নগদগে হায়বসি খঙহন্দুনা থবক শুবগী হৈনবী লৈনবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা সেভানা য়ূমথোঙ লাক্ষ ১ রোমদা কান্নবা ফঙহনখ্রে।

কুমজা ২০১৫ দগী এগ্রিকলচর সেক্টরদসু মীৎয়েং চঙশিনবা হৌখ্রে। এগ্রিকলচরগী সেক্টর অসিদসু লৌমী ১৫০০ গী মথক্তা খুদোং চাবা ফংহনখ্রে। লৌমীশিং অসিদা অফবা মখলগী মরু মরাং, লৌ খোইবদা চঙবা খূৎলাইশিং পীদুনা চাথোক লৈনা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনরি। মীশিংদি নোংম–নোংমগী হেনগৎলকপগা লোয়ননা মমাঙদা পুথোক্লম্বা পোথোক্তগী হেন্না পুথোক্লবা পান্দমদা চঙশিল্লি। রবি ক্রোপকী মতমদসু গ্রিন রিভোলুসনগী ৱাখল্লোন শাগত্তুনা লৌবুক লমহাংশিং মতম চুপ্পদা শংনা লৈহন্নবা চঙশিল্লি।

অসিগুম্বা মখলগী অনৌবা লৌউ পথাপ শীজিন্নদুনা পোত্থে–াকশিং দবল হেনগৎনবা হোৎনরি। সেভানা মীপুম খূদিংমক শেম্থোক লম্বী লৈহন্নবা মাইক্রো ফাইনান্স, ইদুকেসন, এগ্রিকলচরনচিংবগী লমদা চঙশিল্লি। লোয়ননা ২০২৫ ফাওবদা মণিপুরগী মফম খূদিং সোল্লর লেম্প ফংহন্নবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা খোঙথাং অসি দিষ্ট্রিক্ট ৪ দা পায়খৎপা হৌখ্রে। অসুম্না সেবানা খুঙ্গংশিং চাউ–খৎনবা হোৎনরিবা অসিগা লোয়ননা মণিপুরদগী লাইরবা কোকহনবদা সেভানা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সি ই ও, সেভা মণিপুরগী পি এস জি গিতরঞ্জন শর্ম্মনা সেভা মণিপুরনা কুমজা ২০১৫ ফাওবদা লমদম অসিগী খুঙ্গংশিংদা লৈবা লাইরবা ইমুংগী ইচে ইচল ৫০,০০০ রোমদা শেলগী তেংবাং পীদুনা মশাগী শেম্থোক লম্বী লৈহনখ্রে। পান্দম অসি মায় পাক্লবা মতুং সেভানা ২০২৫ ফাওবদা মীওই লাক্ষ ১ দা শেলগী মতেং পাংনবা পান্দম থল্লি। পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা সেভাগা পুন্না চৎমিন্নরিবশিংগী মতেং চঙই হায়খি।

থৌরম অদুদা অহোংশাংবম ভারজিৎ প্রসিদেন্ট সেভা মণিপুর, আর কে নয়নস্না, এদভাইজর সেভা–এ আই সি, হ্রিংজাঙম লংহু, রিজনেল মেনেজর সি এম এল টাটা ট্রষ্ট, ডা. কোন্সম সুরজিৎ, ও আই সি, ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট, জেনিমস, ৱাংখেমচা শমজাই, এদিটর কংলৈপাক্কী মৈরা, কে বি ইঙারেম্বা, কলচরেল এক্টিভিষ্ট অমসুং বেমাবতি হুইদ্রোম এসিষ্টেন্ট ব্রাঞ্চ মেনেজর নেদফি ইম্ফাল ব্রাঞ্চসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ৱাই নোরেনদা সেভা এ আই সি এগ্রিকলচরেল সিদ এৱার্দ ২০১৮ অমসুং খা সঞ্জেনবম মখা লৈকাই এস ঐচ জি অমদি টুয়েল্ভ ষ্টার এস ঐচ জিদা বেষ্ট সেলফ হেল্প গ্রুপ এৱার্দ ২০১৮ গী মনাসু লাম্থোকখি।

# থোয়া লৈকাইদা গাড়ী অহুম থেঙ্গায়নবদা মীওই মরি শোক্লে

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবা মতমদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থোয়া লৈকাইদা টাটা ত্রক অমগা, মারুটি ভেন অমগা স্কুটর অমগা গাড়ী অহুম অমুক্তদা পুন্না থেঙ্গায়নবদা মীওই মরি শোকপদগী লায়কন্নখ্রে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং অদুদি খাঙেম্বম মনোজ সিংহ (২৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা রঘু সিংহ নরানসৈনা মমাঙ লৈকাই, মৈস্নাম ধনজিৎ সিংহ (২৬) অপোকপা তোম্বা সিংহ নরানসৈনা মমাঙ লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৯, সোইবম সুভাস সিংহ (৩২) অপোকপা গুলাপী সিংহ নরানসৈনা মমাঙ লৈকাই অমসুং ইরেংবম তোম্বা সিংহ (২৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা আই কুল্লচন্দ্র সিংহ নরানসৈনা মমাঙ লৈকাইনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না লৈঙোয় পুবা টাটা ট্রক এম এন ০৫ সি–১৫৮১ অসিনা কুম্বীরোমদগী লৈঙোই পুরগা লাকপা মতমদা মোইরাংরোমদগী লাকপা মারুতি ভেন এম এন ০২এ–৭৮২৯ অসিগা মমায় মমায় থোমজিন্নখিবনি। লোয়ননা ভেন অদুগী মতুংদা লাকপা এল এম এল ভেসনা স্কুটর এম এন ০৫–৭৮২৯ অসিনা মারুটি ভেন অদুগী মনিংদা অমুক থোমজিনখিবনি হায়রি।

অশোকপশিং অদু মোইরাং পি ঐচ সিদা পুখৎলগা লায়কন্নখি হায়রি।

# মে দেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ মে দে হায়রগা খঙনবা ইন্টরনেস্নেল ৱাক্স দে না লাকপদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা মরুওইনা শিন্মী কাংলূপ্তা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকাগী চিকাগোদা মে ১, ১৮৮৬ দা শিন্মীশিংনা হৌখিবা ঈহৌ অদুবু শিন্মীশিংগী মায় পাকপনি হায়না লৌদুনা ইন্টরনেস্নেল ৱার্ক্স দে হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোকই। মালেম পুম্বদা থৌরম পাঙথোক্লরিবা ইন্টরনেস্নেল ৱার্ক্স দে হায়না নীংশিংলিবসি শিন্মীশিং থবক শুফমগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি খূৎশুমন হেনগৎহন্নবা চঙশিনখিবা ঈহৌ অদুবু শকখঙবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী পাউজেলদা ফোঙদোক্লি।

অসিগুম্বা থৌরম অসিদা ঐখোয়গী লৈবাকপু মরুওইনা ঐখোয়গী ষ্টেটপু মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনদুনা লৈবা হেন্না নুংঙাইবা মফম অমা ওইহল্লবা মীওই খুদিংমক্কী থৌদৌবু শক খঙফম থোকই, । ঐখোয়না শিনফম খুদিংমক ইকাইখুম্নরসি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী পাউজেলগী অরোইবদা ফোঙদোরক্লি।

# কোন্দোং লাইরেম্বী হরাউগনি

ইম্ফাল,এপ্রিল ৩০(এস এন এস) ঃ মোরেদা লৈরিবা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাউবগী থৌরম লাক্লিবা মে ৭ তগী মে ১৮ ফাওবা চখরগনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না ইমাগী হরাউবগী থৌরম অসি মপুং ফানা শরুক য়াবিবগা লোয়ননা থৌগল তৌবিনিংবশিংনা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী থৌগল্লুপতা পাউ পীবিরক্লবা কম্মিতি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা ফোঙদোরক্লি।

# হি লাকপদগী লুপখিবা মীওই ৩...

*লমায় ১গী মখা*

লোয়ননা মীওইশিং অদুনা মরম ওইরগা মফম অদুদা মী থিবগী থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং ওফিসিয়েলশিংদা অচৌবা খুরৌ ওইহনখি হায়না মফম অদুদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা এপ্রিল ২৮দা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈরিবা নোংমাইখোঙ মখা লৈকাইদগী নিংথৌজম থোইবী সিংহ কৌবা অহল ওইরবা মীওই অমা ইম্ফাল তুরেলদা হি লানলিঙৈদা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপদগী হি লাকশিনবদা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টের এন বিরেন সিংহনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারোলদা মহাক্কী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী মফমদা ইংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়খি।

# কে এন ও গা মায়কৈ অহুমগী...

*লমায় ১গী মখা*

কাংপোকপীদা লৈবা মিনি সেক্রেটরীতা ৱারী শান্নরগনি। ৱারী শান্নবা লোইরবা মতুংদা কুকিশিংগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরাসু মফমদুদা ইন্টরলোকুটর অনীগা তোখায়না উন্নদুনা ৱারি শান্নরগনি।

পনবা য়াবদি সূদা লৈরিবা য়ু জি গ্রুপশিং অসিনা তোখায়বা কুকিগী ষ্টেট অমা শেম্নবা দিমান্দ তৌরি। হায়রিবা দিমান্দ অসি পিছ তোক তৌনরিবা এন এস সি এম আইমগী ৱারোইশিনগী মাংওইননা পীগদবনি হায়রি। মখোয়গী দিমান্দশিং সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা খন্নগনি অমসুং পোলিটিকেল দাইলোগ তৌননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

# শিন্মীশিংগী মফমদা কোরকোমনা ইকাই খুম্নবা ...

*লমায় ১গী মখা*

মীয়ান শিন্মীশিং অসিসু অচৌবা চৈথেং অমা ওইরি। মশীং য়াম্লবা ইন্দিয়াগী লাইরবা মীয়াম শিন্মীশিং অসিনা ঙসিদি ইরমদমগী শিনলমদা চাওনা পায়শিনখিবা অসি নম্থোকহনবা মথৌ তাই। শুবা নোম্বদা চিলহাও থিদবা, শুবা নোম্বগী হৈনবী থমদুনা মতিক ময়াই কনবা খুন্নাই অমা শাগৎপগী মতম অমা ওইরে।

চেরোল অসিনা হায়,ঙসিদি মালেমগী লৈরিবা লৈবাকশিংনা মাগী মাগী শিন্মীশিংদা মখল মখল কয়াগী হক কয়া পীদুনা মখোয়বু খুন্নাইদুগী মীয়ামগা মান্নবা ফমবাক অমদা পুরক্লবা হোৎনরি। অদুবু লৈবাক খরদদি শিন্মীশিংগী ফঙফম থোকপা হক মৎপীবগী পাও তোইনা থেংনরি। শিন্মীশিংগী ফঙফম থোকপা হক ফঙহনবা ঙমদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি।

শুফম–নোমফম মতিক চানা লৈতবগী মথক্তা শেঞ্জাও পায়বশিংনা লৈরবা মীচং লৈজদবা কয়াবু শিজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নরগা মখোয়গী ফঙফম থোকপা শেল মতিক চানা পীবীদবা, নৌরিবা অঙাংশিংবু শেন্দাল লম্বীদা শিজিন্নবা, লৌমী কয়ানা মতম চংনা শুজা নোমজদুনা থাজরুবা পোথোক কয়া শেন্দোং লৈনা য়োনবা ঙম্লক্তবদগী অৱা–চৈথেং খঙবা ঙমদদুনা মশা মতোমতা শিজবগী পাওশিং কয়া অসিনা ইন্দিয়াগী শিন্মীশিংগী শক্তম ওইরি। হায়রিবা ফিভম অসিদা শুফম নোমফম লৈত্রবা ইন্দিয়াগী মফম কয়াগী শিন্মীশিং অসিনা মণিপুর (কংলৈপাক) গুম্বা অৱাং নোংপোকী মফম কয়াদা হায়জিল্লক্তুনা ঐখোয়গী য়েল্হৌমীশিংনা তৌনিংদবা শুনিংদবা অমদি খূৎলোইদবা থবক কয়া শুনোমবা লেপ্পা লৈতনা হায়জলকপা অসিনা ঐখোয়গী য়েল্হৌমীশিং অসিদগী থবক মুনবতা নত্তনা ঐখোয়গী লমদম অসিগী য়মজদ্রবা মীশিং অসিদগী মীরানচাশিং অদুনা হেন্না মশীং য়াম্লক্তুনা ঐখোয়গী শক্তম মাঙনবগী মচাক অমসু ওইরক্লি। মতাং অসিদা ঐখোয়না মালেমদা লৈরিবা শিন্মীশিং অসি অমত্তনি হায়না লৌবদা মশীং য়ামজদ্রবা মণিপুরী (কংলৈচা) ঐখোয়বু মীতোপ–মীয়ানচাশিংনা য়োৎশিনখিবগী খুদোং চাবা অদুদি পীফম থোক্তে।

অমরোমদা ঐখোয়না মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্তুনা শিন্মীশিংগী হক ঙাকপা শেম্বীবগা লোয়ননা মখোয়বু মীয়ামগী মান্নবা হিংবগী থাক অমদা পুরকপা হায়বসি ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিনখিবা ঐখোয়গী নিংতম্বা অদু হঞ্জলবতদা ঙমগনি। মণিপুর (কংলৈপাক) লৈঙাক ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা শিন্মীশিংগী য়াইফনবা কয়া হায়জরবসু হৌজিক্কী ওইরিবা ইন্দিয়াগী শিন্মীশিংগী ফিভম য়েংলুরগা ঐখোয়গী ইরমদমগী শিন্মীশিংনা ৱাখল চাওথোকনিংঙাই ওইদে।

# মালেমগী মাওইষ্ট লূপ ১২না মে দেগী য়াইফ পাউজেল ...

*লমায় ১গী মখা*

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর মাওইষ্টকী পোলিটিকেল পোসিসন অসি মালেমগী লৈরিবা মাওইষ্ট লূপ অয়াম্বদা হৌখিবা চহী অনী অসিদা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙমখ্রে। হৌজিক মালেমগী ওইনা মাওইষ্ট লূপশিংগী হেন্না চেৎশিনবা মরী শাগৎপা ঙল্লগনি অমদি হেন্না কাংলোন নাইবা ফীভম অমদা অপূনবগী শক্তম শাগৎপা ঙল্লগনি। মণিপুর মাওইষ্টনা হেক শাফোঙলকপদগী ইন্টরনেস্নেলগী থবক থৌরমশিংদা হীরম মচা–মচাদা শরুক য়াদুনা লাক্লি।

অদুবু ২০১৭ দগী হৌরগা ২০১৮ দগী হকথেংন্না পোলিটিক্স অসিদা খূৎমাঙ চাউশিন্না শরুক য়ারক্লি। মালেমগী মাওইষ্ট পার্টিগী লুচিংবা কয়া মণিপুর মাওইষ্টকা হকথেংন্না অফবা মরী শেমগৎ শগৎপা ঙল্লকপা হায়বসিনা লূপ মশেলগী মরক্তা হেন্না অচেৎপা মরী শগৎপা ঙল্লকপগী খুদম্নি। অতোপ্পা লৈবাক্কী মাওইষ্ট পার্টি অয়াম্বা মণিপুর মাওইষ্টকী শেমগৎ শগৎলিবশিং ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙল্লে। মণিপুর মাওইষ্টনা মখা তানা অসিগী ফীভম হেন্না ফগৎনবা হোনবগী পান্দম থল্লি অমদি চৎলিবা চহী ২০১৯গী মে দে দগী হৌরগা ২০২০ গী মে দে ফাওবসি লূপ অসিগী ওইন্দি য়াম্না মরু ওইবা চহী অমসু ওইরি। লূপ অসিগী ইদোলোজি কনবা অমদি ঙাকপা হায়বসিনা লূপ অসিগী পোলিটিকেল এজেন্দা ওইরি।

কুমজা ২০১৯ অসিদা ঐখোয়না কনাগুম্বা অমত্তদসু কায়হৌরোই, পোলিটিকেল ওইনা হীরম খুদিংমক মাইয়োক্লগনি অদুবু ঐখোয়না কায়হৌবা থোক্লগদি চপ–চাবা পাউখুম পীনবা লূপ অসিনা শেম শাদুনা লৈরি। পোলিটিকেল ওইবা শিংনবা খুদিংমক পোলিটিকেল ওইনা থেংনগনি অদুবু মীলিটরি ওইনা লূপ অসিবু মাঙলবসু মুৎলসনু মতাগুম অতমন্না শিংনরকপা তারগদি লূপ অসিনসু মদুগী চপ–চাবা পাউখুম পীনবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

# এ আর অমসুং আই এমগী মুক্নবা লেপ্পু হায়না সিহাইদা খোঙচৎ...

*লমায় ১গী মখা*

তকশিনখি। মীফম অদুদা ৱাঙাংখিবা মীয়াম্না অসাম রাইফলস অমসুং এন এস সি এন–আই এম অনিমক্তা খুৎলায়গী মুক্নবা হন্দাকপীনবা তকশিনখি।

নাকল অনীগী খূৎলায়গী মুক্নবা অসিনা মরম ওইদুনা সিহাই খুনৌ অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংগী খুঞ্জাশিং লৌউ শিংউবগী থবক চথবা ঙম্নদ্রে লোয়ননা খুল থাদোক্লগা চৎপদা মীপায়বা ফাওনরে হায়রি।

মীয়ামগী খোঙচৎ অদু পাঙথোক্লবসু ঙসিসু অসাম রাইফলসকী অহেনবা পার্সোনেলশিং মফম অদুদা চঙশিল্লকপা লেপত্রি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি এন এস সি এন–আই এমনা সিহাই ভিলেজগী মনাক নকপদা লৈবা উমংদা অনওঠোরাইরজ কেম্প হাংদোরকপদগী মদু হন্দাকখিনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী তকশিনলকখিবনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা এরিয়েল সর্ভে চখবদা মফম অদুদা কেম্প লৈরে খঙবদগী এ আরগী মায়কৈদগী লমদম অদুগী মীয়াম অমসুং চর্চ লুচিংবশিংগী খুথাংদা খূৎলায় পায়বা কাঙবু অদু সিজ ফয়ারগী চৎন কাঙলোন থুগায়দনা মফম অদু থাদোক্লগা চৎনবা খঙহনখি।

এন এস সি এন–আই এমগী মায়কৈদগী অসাম রাইফলসকী ৱাফম অদু য়াখিদবগা লোয়ননা মখোয়গী খোঙফম লেঙদনা লৈরকখিবনি। লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নদুনা লাকখিবনি।

মুক্নবা অদু হন্দোক্নদবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী পূক্লিংদা মীপায়বা ফাওরকপা অসি য়েংলগা তাঙ্খুল নাগা লোং, নাগা ৱুমেন য়ুনিয়ন, অন্সম, য়ু এন সিনচিংবা নাগা ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংনা নাকল অনীমক্লা খোঙফম হন্দোকপীনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

লূপশিং অসিগী মায়কৈদগী এ আরগী দিপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ব্রিগেদিয়ার মোহিট সেঠিগা ঙরাং উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা এ আরগী মায়কৈদগী কেম্প অসি মকোকথোংবশিংনা হোংদোকখিনবা পাউতাক পীরকপদগী চঙশিল্লকপনি। মরম অসিনা ৱাফম অসি লোইশিনগে হায়রবদি মখোয়গী খুত্তা লৈরবনি হায়খি হায়রি।

# ম্যান্মরদা নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবশিং ...

*লমায় ১গী মখা*

সরেন্দর তৌখ্রে। মখোয়গী মনুংদা মোনিকান্ত সোনোংৱাল এলাইজ অর্দস অসোমসু য়াওরি। মহাক অপ্পর অসামগী তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা চংজখিবনি। হৌখিবা চয়োলদা অলফাগী মরুওইবা লুচিংবা ভাস্কর বোরা এলাইজ তুমুং অসাম অমদি নিজান দোলি এলাইজ নিনজা অসামসু সরেন্দর তৌখ্রবনি।

তিনসুকিয়াগী সুপিন্টেদেন্ট ওফ পুলিস শিলাদিত্য চেতিয়ানা হায়খি, হৌখিবা থাঅমা অসিদা অলফা অমদি নেস্নেল দিমোক্রেটিফ্রন্ট ওফ বোদোলেন্দ ( এন ডি এফ বি) গী সোংবিজিৎ ফেক্সন কেদর ২০ হেন্না সরেন্দর তৌখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ১৫দি ৱারি শান্নসি য়াদ্রিবা অলফা ফেক্সনগীনি। মখোয় অয়াম্বা ম্যান্মর কেম্পতগী লাকখিবনি।

ৱারী শান্নসি য়াদ্রিবা অলফাগী ফেক্সন, এন এস সি এন গী খপ্লাং লুপশিংগী কেম্প ম্যান্মরগী তাগাদা লৈবনি। সরেন্দর তৌরক্লবা অর্দেশ অসোননা হায়, ওপরেসন অদুনা মরম ওইদুনা কেম্পশিংদা চিঞ্জাক য়াম্না ৱাৎলে। সপ্লাই লাইন পুম্নমক থদৎখরে। মহাক্না ম্যান্মরদগী খোঙনা নুমিৎ নিপালনি লাক্লগা তিনওকিয়াদা থংখিবনি।

চহী অসিগী ফ্রেবুৱারিদা ম্যান্মর অমদি ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা চখখিবা ওপরেসন অদুনা অৱাং নেংপোক্কী লালহৌবশিংদা পাকশন্না অশোক অপন নংহনখিবনি।

বঙ্গলাদেশ গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী লৈবাক্তা লৈরম্বা লালহৌবা কেম্প পুম্নমক থুপচিনখ্রবা মতুংদা মখোয়গী বেজ অসি ম্যান্মরদা ওইদুনা লাকখিবনি।

চৈরক অসিদা এন এস সি এ (আই এম) না সিজফয়ারগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইরে হায়না আর্মিনা মরাল শিরক্লি। তেজপুরদা বেজ তৌবা দিফেন্সকী পি আর ও হর্স ৱর্ঘন পান্দনা হায়খি, আর্মিগী রুতিন এরিয়েল সর্ভেদা মণিপুরগী উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সিহাই খুন্নৌ। খমাসোলদা খাঙপোক শঙগী মওংদা য়ূম খরা লৈবা থেংনখি। মখা তানা থিজিনবদা মফম অদুদা এন এস সি এন (আই এম) গী অন ওথোরাইজ কেম্প শেমগৎপা হৌবনি হায়বা খঙখি। মফম অদুদা চঙশিনখিবা ক্রুপকী কমান্দরনা খুঞ্জাশিং অমদি পাষ্টরদা কেম্প অদু খুদক্তা হোংদোকখিনবা এন এস সি এন (আই এম) দা পাউ পীহনখি হায়না পান্দেনা মখা তাখি।

সিজ ফয়ার মোনিটরিং ক্রুপকী চিয়রমেনদা ফিভম অদু খঙহল্লবা মতুংদা চিয়ারমেনসু লালহৌলুপ খুদক্তা কেম্প অদু হোংদোক্লবা খঙহনবগা লোয়ননা অসাম রাইফলসতা কেম্প অদু হোংদোকখ্রৱা হায়বদু য়েংশিন্নবা খঙহনখি।

হৌখিবা এপ্রিল ২৭তা অমুক এরিয়েল সর্তে তৌবদা কেম্প অদু হোংদোক্ত্রি হায়বা খঙবা ঙমবগা লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মফম অদুদা লৈরিবা কেম্প অদু ইমু–নাইমু তানদনা হোংদোকহন্নবা প্রেসর পিরি হায়না পি আর ও অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কূদা হাপ্পুরবা অশিবা মীওই ১ মথৌ অঙম পাঙথোকখিদ্রে ...

*লমায় ১গী মখা*

নেপালি বষ্টি টেল্লি রোদতা লৈবা কম্ম্যুনিটি কেয়ার সেন্টর ওফ স্মার্ট সোসাইটিদা সুন্দরগী হিপ জোইন্ট এক্স– রে লৌবগী চেনীং য়াওরমখি। মসিনা তাকপদি সুন্দর অমদি মাগী নুপী, মশেলনুপাগা ফুনা–চৈনবগী থৌদোক অসি এপ্রিল ২৭ তা থোক্লম্বা য়াই। অদুগা মোরে হোস্পিটালদা পুখৎপনা নুমিৎ নীনি মতুং এপ্রিল ২৯ দা এদমিসন তৌবগী চেনীং অমসু ফংখি। অদুগা মোরে হোস্পিটালগী এম ও ইন–চার্জনা পীবা রিপোর্টতা সুন্দর এপ্রিল ২৯ দা হোস্পিটালদা এদমিট তৌরখি অদুগা ঙসি এপ্রিল ৩০ গী অয়ুক পূং ৪ দা লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে হায়বগী রিপোর্ট ইরমখি। রিপোর্ট অদুদা সুন্দর কার্দিয়েক এরেষ্ট, য়েৎ থংবা থবাক চিকপা–নাবা–শাবা তৌবদগীনি হায়না দেক্লোফেনান্স পেইন কিল্লর আই ভি ফ্লুইদ কাপখি অমদি পেরাসিটামোল হিদাক পীজখি। অদুম ওইনমক অচুম্বা অদু খঙনবা ঔটোপসি তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না রিপোর্টতা ইরমখি।

মীয়ামগী ইরাং থোরকপা য়াবগী ফীভম লৈবদগী সুন্দরগী লোইনবী নুপী অশা পুলিসনা পুদুনা চৎখ্রে। অদুগা অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেমগীদমক পুলিসনা জেনিমসকী মীরেন শঙদা থমখ্রে। লৈখিদ্রবা সুন্দরগী ইমুং মনুং অমদি লৈকাইগী ক্লব মৈরা পায়বীশিং য়াওনা সুন্দরগী নুপী অশাগী মপাম ফৌদেন কৈরাম্বীদা চত্তুনা লৈকাই অদুগী ক্লব মৈরা পায়বীশিংগা ৱারী শান্নখি। অমদি লৈকাই অদুগী মীয়াম্নসু ৱাংখেম–হুইদ্রোম লৈকাইনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শৌগৎকনি মতেং পাঙনি হায়না থাজবা পীরকপদগী হৌজিক (রিপোর্টস অসি ইরিঙৈসিদা) ৱাংখেম–হুইদ্রোম লৈকাইদা করি করি ফীরেপ লৌগদগে হায়বগী মীয়ামগী মীফম চখরি, করি ৱারেপ লৌরবনো পাউ ফংদ্রি।

মীশি অসিগী মতাংদা ঙসি মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ফমখ্রে। মীফম অদুদা ৱারেপ ৫ লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি জে সি এগেষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ সোরাম সুন্দর এলাইজ ননাও কৌবা অমা শেম্বা হায়না য়ান্নরে অমসুং সোরাম প্রেমগুপ্ত জে এ সি অসি কনভেনর খনখ্রে।

লৈঙাক্লা মীহাৎপা মীওইশিং পুং ৪৮ ফাওবগী মনুংদা পুথোক্তুনা ফাননবা তকশিনবা হায়না য়ান্নখ্রে। ৱারেপ অসি থবক্তা ওন্থোক্ত্রগদি অশিবা হকচাং লৌদবা অমদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা হায়বনচিংবা য়াওরি।